# নবেম্বর ৫দা দেবেন্দ্র ফদনবিসপু মহারাষ্ট্রগী অনৌবা চীফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌরগনি ঃ রিপোর্ট



ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ০১ (এজেন্সি):
মহারাষ্ট্রদা বি জে পি মথন্তনা লৈঙাক শেম্বগা লোয়নননা নবেম্বর ৫ নত্রগা ৬তা দেবেন্দ্র ফদনবিসপু চীফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌরগনি হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোক্লি।

ফদনবিসকা নক্লবা সোর্ছ অমা পাল্লদুনা এজেন্সিগী পাউনা হায়, মুম্বাইগী ৱাংখেদ ষ্টেদিয়মদা ৱাশক লৌবগী থৌরম পাঙথোক্লবা শেম শাবা লোইরে। সিব সেনানা করিগুম্বা এলাইয়েন্সতা য়াওরক্তবা তারবসু বি জে পি মথন্তনা লৈঙাক শেম্নবা ফিরেপ লৌরে হায়রি।

অনৌবা লৈঙাক অমা ৱাশক লৌবগী থৌরম পাঙথোক্লবগী থৌদাং পুন্নমক বি জে পিগী এম এল এ প্রসাদ লাল অমদি চন্দ্রকান্ত পাতিলদা শীন্নখি। মহারাষ্ট্রদা অনৌবা লৈঙাক শেম্বগী মতাংদা সিব সেনাগী লুচিংবা সঞ্জয় রাউতনা ন্যুজ এজেন্সি অমদা হায়খি মদুদি ৫০-৫০গী ৱাফমদা অয়াবা পীদ্রবদি পার্টি অসিনা চুংশিন্নবা লৈঙাক্তা য়াওদনবা ফিরেপ লৌরে।

করিগুম্বা বি জে পিনা অহানবগী চহী অনীমখাই চীফ মিনিষ্টরগী ফম পায়বা তারবদি লেমহৌরিবা চহী অনীমখাই অদু সিব সেনাগী মীওই অমদা পায়হনগদবনি। সিব সেনা মথন্তনা লৈঙাক পায়নবা ফিরেপ লৌবা তারবদি তঙাইফদবা এম এল এ মশিং শুনা লৈহনবা ঙমগনি হায়নসু পার্টি অসিগী লুচিংবা সঞ্জয় রাউতনা ফোঙদোকখি।

হন্দক্তা পাঙথোকখিবা মহারাষ্ট্রগী এসেমব্লী মীখলদা বি জে পিনা সিট ১০৫ ফঙখিবগা লোয়নননা সিঙ্গল লার্জেষ্ট পার্টি ওইখি অমসুং সিব সেনা সিট ৫৬ ফঙদুনা অনীশুবদা লৈখি। ওপোজিসন এলাইয়েন্সকী কোংগ্রেস অমসুং নেসনেলিষ্ট কোংগ্রেস পার্টিনা মথং শীৎনা সিট ৪৪ অমসুং ৫৪ ফংবা ঙমখি।

পাউমীশিংগা উনবা অমদা সেনাগী লুচিংবা সঞ্জয় রাউতনা হায়খি, সিব সেনানা লৈঙাক পায়নবা থৌরাং লৌখৎকে হায়রবদি মথৌ তাবা এম এল এ মশিং শুনা পুথোকপা ঙমগনি। মীয়াম্না মীখলদা পীরকখিবা মেন্দেটকী মতুং ইন্না অনৌবা লৈঙাক শেম্বা মতমদা বি জে পি অমসুং সিব সেনানা টার্ম তঙ্খাই তঙ্খাই পুনবা মথৌ তাই।

ওপোজিসন পার্টিগী এম এল এশিংগা খুৎশম্নবগী ৱাফম লৈব্রা হায়না হংখিবা ৱাহং অমগী পাউখুমদা রাউতনা হায়খি, পার্টি খুদিংমক্কী মশা মশাগী ওইবা ফিরেপ অমমম লোইনা লৈনবা ঙাক্তনি। হৌজিকমক্কী ওইনদি সিব সেনানা লৈঙাক পায়নবগীদমক কোংগ্রেস নত্রগা এন সি পিগা খুৎশম্নবা থৌরাং লৌখৎপগী ৱাফম লৈতে।

নাকল অমরোমদা, বি জে পিনা সিব সেনাগী ৱাফমদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়নননা টার্ম তঙ্খাই তঙ্খাই চীফ মিনিষ্টর ওইনবগী ৱাফম য়াবা ঙল্লোই হায়না ফোঙদোকখি। কেবিনেটকী মরু ওইবা ফম অয়াম্বা সিব সেনাদা পায়হনগদবনি হায়বা ৱাফমসু য়াবা ঙল্লোই হায়না বি জে পিনা ফোঙদোকখি।

# প্রাইম মিনিষ্টর মোদি, জর্মন চাঞ্চেল্লর এঞ্জেলা মর্কেলনা টেররিজম লাকশিনগদবনি হায়না ফোঙদোকখ্রে

ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ০১ (এজেন্সি):
ইন্টর্নেস্নেল কম্যুনিতিনা টেররিষ্টশিং চঙজফম পীরোইদবনি অমসুং টেররিজমদা মখল অমত্তগী মতেং পাঙলোইদবনি হায়না ইন্দিয়া অমসুং জর্মনিনা অপিল তৌখ্রে।

ইন্দিয়াদা কোইরক্লিবা জর্মন চাঞ্চেল্লর এঞ্জেল মর্কেল অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ৫শুবা ইন্টর গভর্ণমেন্টেল মিতিং পাঙথোক্লবা মতুংদা থাদোরকপা ৱারোল অমনা হায়খি, টেররিজম লাকশিন্নবগী মতাংদা মালেমগী তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংনা অমত্তা ওইনা খুৎশম্নবা তঙাইফদে। হ্যুমেন রাইটস লো অমদি ইন্টর্নেস্নেল হ্যুমেনরিয়ন লো য়াওনা তোঙান-তোঙানবা ইন্টর্নেস্নেল লোগী মখাদা তোঙান-তোঙানবা লৈবাক মশেল পাউ পীথোক পীশিন তৌদুনা টেররিজম লাকশিন্নবা হোৎনফম থোকই। লৈবাক অমত্তনা টেররিষ্টশিং চঙজফম পীরোইদবনি হায়নসু লুচিংবা অনীনা ফোঙদোকখি।

মালেমদা হৌজিক টেররিজমনা পীরক্লিবা চৈথেংগী মতাংদা কুপ্না খন্নরবা মতুংদা লুচিংবা অনীনা হায়খি, কুমজা ২০২০গী মার্চ ফাওবদা কোম্প্রিহেন্সিপ কনভেন্সন ওন ইন্টর্নেস্নেল টেরিজরম (সি সি আই পি) চৎনহন্নবা হোৎনগদবনি।




কাউন্টর টেররিজমগী মতাংদা শেমখিবা জোইন্ট ৱার্কিং গ্রুপকী নেটৱার্ক মখাদা ইন্দিয়া অমসুং জর্মনিনা হিরম কয়াদা পুন্না থবক তৌমিন্নখিগদৌরি।

মোদি অমসুং মার্কেলগী মীফম লোইরবা মতুংদা থাদোরকপা ৱারোল অমনা হায়খি, অথুবা মতমদা জোইন্ট ৱার্কিং গ্রুপ ওন কাউন্টর টেররিজমনা অথুবা মতমদা লৈবাক অনী অমুক হন্না ৱারী শান্নহন্নবা থৌরাং লৌখৎপা মথৌ তাই।

মামেলমদা হৌজিক ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজি চাওখৎলকপগা লোয়নননা অহোংবা কয়া লাকপগী মতাংদা লুচিংবা অনীনা হায়খি, অহানবা ওইনা হৌখিবা সেপ্টেম্বর থাদা লৈবাক অনী বর্লিনদা উনখ্রবা মতুংদা মখা তানা টেররিজমগী মায়োক্তা মতিক চাবা থৌরাং লৌখৎনবা হোৎনদুনা লাকখি। ন্যু দিল্লিদা কোয়রকখিবা মার্কেলনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি য়াওনা লৈবাক অসিগী তোঙান-তোঙানবা লুচিংবা কয়াগা উনদুনা মালেমদা হৌজিক খ্বাইদগী তমথিবা মওংদা চৈথেং পীরক্লিবা টেররিজম মায়োক্ননবগী মতাংদা হিরম খরদা পুন্না থবক তৌমিন্নবা হায়না য়ান্নখি। মীফমগী নাকোইননা খুৎয়েক পীনখিবা য়ান্ন-চেগী মতুং ইন্না নাকল অনী খুৎশম্নদুনা পায়খৎকদবা থৌরাংশিংদি ইন্দিয়ন স্পেস রিছার্স ওর্গনাইজেসন অমসুং জর্মন এরো স্পেস সেন্টর পুন্না থবক তৌমিন্নবা, ইন্টর্নেস্নেল স্মার্ট সিটি নেটৱার্ককী মখাদা অমনা অমদা মতেং পাঙনদুনা তোঙান-তোঙানবা থৌরাংশিং লৌখৎমিন্নবা অমসুং অয়ুরবেদ, যোগ অমদি মেদিটেসনগী মতাংদা একাদেমিক কোলাবোরেসন তৌবগী ৱাফম য়াওরি।

# সাইক্লোন মহা : কেরালা, টামিলনাদু, লক্ষদিপ্তা নোং কন্না চুখিবগা লোয়নননা কনুরদা মীওই অমা শিহনখ্রে





টিরুবনন্থপুরম, নবেম্বর ০১ (এজেন্সি):
ইষ্ট সেন্ত্রেল অরাবিয়ান সি অমসুং লক্ষদিপকী মফম খরাদা য়ৌরকখ্রবা সাইক্লোন মহানা হৌখিবা নুমিৎ কয়ানিরোম পুংদা কিলোমিটর ১৮গী চাংদা য়াংনা নুংশিৎ শীৎহনখ্রবা মতুংদা কা হেন্না শাফু কনবা নোংলৈ নুংশিৎ অমা ওইহল্লকপা য়ানা লৈরে হায়না ইন্দিয়ন মেটিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট (আই এম দি)না ফোঙদোকখ্রে।

আই এম দিনা থাদোরকখিবা ৱারোল অমনা হায়খি, সাইক্লোন মহানা মরম ওইরগা কেরালা, খা থংবা টামিলনাদু অমসুং কোষ্টেল কর্নাটকাদা নোং কন্না চুহল্লকপা য়াই। লাক্কদৌরিবা পুং ২৪গী মনুংদা রয়ালসিমা, কোষ্টেল অন্ধ্র প্রদেশ, টেলঙ্গনা অমসুং খা থংবা কর্নাটকাদা অকনবা নোং চুহল্লক্কদৌরি। বিদরভা, ছটিসগর, কোনকান, গোৱা, মহারাষ্ট্র অমসুং মরাথাৱাদাদদি অখাক অরাও য়াওনা অকনবা নোং চুরকপা য়াই হায়না আই এম দিগী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোরক্লি।

সাইক্লোন মাহানা মরম ওইরগা অরাবিয়ান সিদা খুদোংথিবা থোকহল্লকপা য়াই হায়না চিংনবদগী ইন্দিয়ন কোষ্ট গার্দনা জহাজ তরুক, এয়রক্রাফ অমা অমসুং দিজাষ্টর রেস্পোন্স টিম কয়ামরুম থৌরাং তৌদুনা থমখ্রে। সাইক্লোন মহাগী মতাংদা ইন্দিয়ন কোষ্টগার্দনা ত্বিটরদা থাদোরকপা ৱারোল অমনা হায়খি, নোংলৈ নুংশিৎনা মরম ওইরগা পামদবা থৌদোক থোরকপা মতমদা মতেং পাঙনবগীদমক কোষ্টগার্দকী মায়কৈদগী মতিক চাবা থৌরাং লৌখৎপা লোইরে।

মীয়ামগী মতেং পাঙবদা শীজিন্নবা য়ুনিয়ন টেরিটোরি এদমিনিষ্ট্রেসনগী পেসেঞ্জর তোংবা ভেসেল মঙাসু ফাগৎপা ঙল্লে। পনবা য়াবদি, নোং কন্না চুরকপনা মরম ওইরগা কেরালাদা মীওই অমা শীহনখিবগা লোয়নননা অতোপ্পা মীওই ৫ অশোক অপন নংহনখ্রবনি।

ওক্টোবর ২১দগী ৩১ ফাওবদা কেরালাগী তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদা অকনবা নোং চুরকখিবনা মরম ওইরগা মীওই ৮ থিবা খঙখিদ্রবা মতুংদা চাওরাক্লা মীওই ২,০৬০ রোম তোঙান-তোঙানবা রিলিফ কেম্প ২০দা চঙজফম লৌদুনা লৈরি।

# ন্যু দিল্লিদা পব্লিক হেল্ঠ ইম্মর্জেন্সি লাউথোক্তুনা স্কুলশিং লৈবাকপোকপা নুমিৎ ফাওবা ছুটি থারে হায়না লাউথোকখ্রে



ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ০১ (এজেন্সি):
দিৱালি কুম্মৈগী মতুং তারকপদা সুপ্রিম কোর্টনা পীখিবা য়াথং মতুং ইন্না দিল্লি অমসুং মনাক নকপা মফম পুন্নমক্তা ইনভাইরনমেন্ট পোল্যুসন (প্রিভেন্সন এন্দ কন্ত্রোল) ওথোরিটিনা নবেম্বর ৫ ফাওবা পব্লিক হেল্ঠ ইম্মর্জেন্সি লাউথোকখিবগা লোয়নননা স্কুল পুন্নমক ছুটি থানবা খঙহনখ্রে।

নুংশিৎ মোৎপগী চাং অঙকপা ফঙনা ৱাংখৎলকপা মরম্না হায়রিবা মতম অসি ফাওবা কনষ্ট্রক্সনগা মরী লৈনবা থবক অমত্তা পায়খৎতনবসু খঙহনখি। নীংথম থা খুদিংগী দিল্লিদা লৈচিল নোংফাই থাংবগা লোয়নননা মীয়ামদা চাওনা খুদোংচাদবা মায়োক্ন হনবগী ফিভম অমা লৈরকখিবনি।

চীফ মিনিষ্টর অরবিন্দ কেজ্রিৱালনা স্কুলগী অঙাংশিংদা মাস্ক য়েন্থোকখিবগা লোয়নননা লৈবাক্কী কোনুং দিল্লিবু গ্যাস চেম্বরগা পাঙ্খক ওইরে হায়না ফোঙদোকখি। নুংশিৎ মোৎপগী চাং ৱাংখৎলকপা অমসুং লৈচিল নোংফাই থাংবগী মতাংদা মহাক্লা হায়খি, য়ুমলোন্নরিবা হরিয়ানা অমসুং পঞ্জাবতা লৌমী লিশিং কয়ানা অকংবা মনা মশিং মৈ থাবা মরম্না দিল্লিদা লৈচিল নোংফাই থাংবগী চাং ৱাংহল্লকপনি।

হিরম অসিগী মতাংদা ই পি সি এগী চেয়ারপার্সন ভুরে লালনা হায়খি, কা হেন্না নুংশিৎ মোৎপগী চাং ৱাংখৎলক্লবদি দিল্লিদা ওদ-ইভন স্কিম চৎনহনবগা লোয়নননা গ্রেদেদ রেস্পোন্স এক্সন প্লানগী মখাদা ট্রক অমত্তা সিটি মনুংদা চঙনবগী অয়াবা পীরোই।

হৌজিক হৌজিক কা হেন্না নুংশিৎ মোৎপগী ফিভমদা লৈরিবা অসিগী য়েংলগা মীয়াম্না মপান্দা অমদি অহাংবা মফমদা হকচাং শাজেল তৌবা খুদোংথিংনিংঙাই ওই। চহী নৌরিবা অঙাং অমদি অহল ওইরবা মীওইশিং কা হেন্না চেকশিনবগী তঙাইফদবা লৈ হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

দিল্লিদা হৌজিক নুংশিৎ মোৎপগী চাং অঙকপা ফঙনা ৱাংখৎকপদগী মীওই অয়াম্বনা থবম চখোকপদা মাস্ক উপ্লি। য়ুনিয়ন ইনভাইরনমেন্ট মিনিষ্টর প্রকাস জাবেদকরনদি হিরম অসিগী মতাংদা দিল্লিগী চীফ মিনিষ্টর অরবিন্দ কেজ্রিৱালবু মরাল শীরদুনা হায়খি মদুদি পঞ্জাব অমদি হরিয়ানাদা মরাল শীবগী মহুৎতা কেজ্রিৱালনা ইন্দষ্ট্রিশিংদগী থাদোরকপা পোল্যুটেন্টশিং চাং হন্থহন্নবা থৌরাং লৌখৎফম থোকই।

মালেমদা হৌজিক নুংশিৎ খ্বাইদগী মোৎপা সিটিশিংগী মনুংদা দিল্লিসু অমনি। নিংথমথা খুদিংগী মফম অসিদা পোল্যুসনগী চাং ৱাংখৎলকপা অমসুং লৈচিল নোংফাই থাংবগী খুদোংচাদবা মায়োক্নরি। মরু ওইনা দিৱালি কুম্মৈদা মীয়াম্না য়াম্লবা বোম্বুলা থাখ্রবা মতুংদা দিল্লিগী নুংশিৎ মোৎপগী চাং ৱাংখৎলকপগী থৌওং চহী খুদিংগী থেংনদুনা লাক্লি।

হৌজিক হৌজিকসু লৈচিল নোংফাই থাংবনা মরম ওইরগা দিল্লিদা ত্রেন অমসুং ফ্লাইট সার্ভিস তৌবদা অপনবা থোকহনবগী ফিভমদা লৈরে হায়রি।

# দিল্লি হায় কোর্টনা পি চিদম্বরমদা ইন্টরিম বেল পীখিদ্রে



ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ০১ (এজেন্সি):
আই এন এক্স মিদিয়া কেসতা চেন্নরিবা হান্নগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর পি চিদম্বরমনা ইন্টরিম বেল পীবিয়ু হায়জরকখিবদা দিল্লি হায় কোর্টনা য়াখিদ্রে।

এইমসকী মেম্বর ৭না শাবা মেদিকেল বোর্দ অমনা চিদম্বরমগী হকচাংগী ফিভম য়েংশিনবদা করিসু থোইদোকপা খুদোংথিনিংঙাই ওইবা ফিভম অমত্তা থেংনখিদবা মরম্না বেল পিখিদবনি। কোর্টকী য়াথং মতুং ইন্না শেমখিবা বোর্দনা পীরকপা রিপোর্ট মতুং ইন্না হান্নগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টরবু ময়ুমদগী থোংলকপা চাক ইনশাং পীজবগা লোয়নননা মিনরেল ৱাটর পীথক্কদবনি হায়রি।

দিল্লিদা পোল্যুসন থোকপগী চাং ৱাংখৎলকপা মরম্না চিদম্বরমদা ফেস মাস্ক অমা উপহন্নবসু কোর্টনা খঙহনখি। হৌখিবা ওক্টোবর ২৮দা মশাগী চহী ৭৪ শুরবা চিদম্বরমবু দিল্লিগী এইমসতা ঙাইহাক পুখৎতুনা লায়েংখিবনি। মবুক নাবানা মরম ওইরগা হায়দরবাদতা চৎলগা লায়েংলুনবগীদমক ইন্টরিম বেল পীবিয়ু হায়জরকখিবদা কোর্টনা অয়াবা পীখিদে।

দিল্লিগী কোর্ট অমনা পীরকখিবা য়াথং মতুং ইন্না চিদম্বরমবু নবেম্বর ১৩ ফাওবা তিহার জেলদা থম্নবা খঙহনখি। থা অসিগী হৌগৎলকপদা মতম খরা মহাকপু ইনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেটকী কষ্টদিদা থমখিবনি। ফোরেন ইনভেষ্টমেন্ট প্রমোসন বোর্দকী ক্লিয়ারেন্স পীবদা অরানবা থৌওং চথুখি হায়বগীদমক সি বি আইনা চিদম্বরম ফারগা ৱায়েল চথুরকখিবনি।

# নবেম্বর ৩০দগী হৌরগা তাঙ্কক মঙা থোক্লা ঝরখন্দ এসেমব্লীগী মীখল পাঙথোক্কদৌরি



ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ০১ (এজেন্সি):
নবেম্বর ৩০দগী তাঙ্কক মঙা থোক্লা ঝরখন্দ এসেমব্লীগী মীখল পাঙথোক্লগনি হায়না ইলেক্সন কম্মিসননা লাউথোকখ্রে।

চীফ ইলেক্সন কম্মিস্নার সুনিল অরোরানা হায়খি মদুদি নবেম্বর ৩০, দিসেম্বর ৭, দিসেম্বর ১২, দিসেম্বর ১৬ অমসুং দিসেম্বর ২০দা মীখল পাঙথোক্লগা দিসেম্বর ২৩দা মীখলগী ফল লাউথোক্কনি।

হৌখিবা এপ্রিলদগী মে ফাওবা পাঙথোকখিবা লোক সভাগী মীখলদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা বি জে পিনা সিট মশিং য়াম্না ফঙদুনা মায় পাকখ্রবা মতুংদা হন্দক্কী অসিনা অহুল্লকশুবা এসেমব্লী মীখলনি। ওক্টোবর ২১দা মহারাষ্ট্র অমসুং হরিয়ানাগী মীখল পাঙথোকপা লৈখ্রে।

হৌজিক হৌজিক ওল ঝরখন্দ ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এ জে এস য়ু)গা ঝরখন্দদা লৈঙাক পায়রিবা বি জে পিনা হন্দক্কী মীখল অসিদা সিট য়াম্না ফঙবা ঙমগনি হায়না থাজবা থল্লি। কুমজা ২০১৪দা পাঙথোকখিবা ষ্টেট অসিগী এসেমব্লী মীখলদা বি জে পিনা অপুনবা সিট ৮১গী মনুংদা সিট ৩৫ ফংঙবা ঙমখি। মীখল অদুদা এ জে এস য়ুনা সিট ১৭ ফংখিবগা লোয়নননা চীফ মিনিষ্টর রঘুবার দাসনা লুচিংবা এন দি এগী লৈঙাক অমা লৈরকখিবনি।

হন্দক্তা পাঙথোকখিবা লোক সভা মীখলদসু বি জে পিনা সিট মশিং য়াম্না ফঙবা ঙমখিবগা লোয়নননা অপুনবা পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সি ১৪গী মনুংদা পার্টি অসিনা কন্সটিট্যুয়েন্সি ১২ ফঙখি। হন্দক্কী মীখল অসিদা কোংগ্রেসনা ঝরখন্দ মুক্তি মোর্চা (জে এম এম)গা খুৎশম্নগনি হায়না লাউথোকখিবা তারবসু হৌজিক ফাওবা পার্টি অনীনা সিট য়েন্থোক্ন বগী মতাংদা য়ান্নবা পুরকপা ঙমদ্রি।

ঝরখন্দ প্রদেস কোংগ্রেস কম্মিতিগী প্রসিদেন্ট রামেশ্বর ওরাননা হায়খি, বি জে পিবু মায়থীবা পীনবগী পান্দমদা কোংগ্রেসনা জে এম এমগা খুৎশম্নদুনা মীখল থেংনরগনি। অথুবা মতমদা সিট য়েন্থোক্লবগী ৱাফম লাউথোক্লগনি। কোংগ্রেসনা এসেমব্লী কন্সটিট্যুয়েন্সি ২৭দা মীরেপ থাদোক্লবা য়াই হায়না থাজনরি।

# প্রসিদেন্ট, ভাইস প্রসিদেন্ট অমদি প্রাইম মিনিষ্টরনা ষ্টেট তরেৎকী মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীখ্রে

ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ০১ (এজেন্সি):
ছটিসগর, হরিয়ানা, পঞ্জাব, মধ্যা প্রদেশ, কর্নাটকা, কেরালা অমসুং লক্ষদিপ শেমখিবা নুমিৎকা মরী লৈননা প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোবিন্দ, ভাইস প্রসিদেন্ট এম ভেঙ্কয়া নাইদু অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মরী লৈনবা ষ্টেটশিংগী মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীখ্রে।

রাষ্ট্রপতি ভবনদগী থাদোরকপা চেরোল অমদা প্রসিদেন্টনা হায়খি মদুদি, ছটিসগর, হরিয়ানা, পঞ্জাব, মধ্যা প্রদেশ, কর্নাটকা, কেরালা অমসুং লক্ষদিপনা চাওখৎপগী লম্বীদা খোঙ থাংজিনবগা লোয়নননা হায়রিবা ষ্টেটশিং অসিদা লৈরিবা মীয়াম্না মরেক মহাও থোকপা পুন্সি মহিং অমা হিংবা ফঙলগনি হায়বগী থাজবা লৈ।

ভাইস প্রসিদেন্ট ভেঙ্কয়া নাইদুনসু ষ্টেট ৬ অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরি অমগী মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীখি। অমরোমদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ত্বিটরদা থাদোরকপা ৱারোল অমনা হায়খি, নবেম্বর ১দা ছটিসগর, হরিয়ানা, পঞ্জাব, মধ্যা প্রদেশ, কর্নাটকা, কেরালা অমসুং লক্ষদিপ য়াওনা ইন্দিয়াগী ষ্টেট কয়া মরুম শেমখি। কুমজা ১৯৫৬কী নবেম্বর ১দা কর্নাটকা অমসুং কেরালা শেমখি। কুমজা ১৯৬৬তনা হরিয়ানা শেমখিবনি। হরিয়ানাগী মীয়াম্বু মথৌনা লৈবা মীওই ঙাক্তনি হায়না থাগৎপা ফোঙদোক্লদুনা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, লৈবাক অসি চাওখৎহন্নবা হোৎনবমদা হরিয়ানানা মরু ওইবা থৌদাং লৌদুনা লাকখি।

কোংগ্রেসকী লুচিংবা রাহুল গান্ধিনসু ষ্টেট ৬ অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরি অমা শেমখিবগী কুমওনগা মরী লৈননা মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীখি। থৌরম অসিগা মরী লৈননা থাদোরকপা ৱারোল অমদা মহাক্লা হায়খি, ষ্টেট ৬ অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরি অমগী মীয়াম্না লৈবাক্কীদমক লৌখিবা থৌদাং মতম পুন্নমক নীংশিংদুনা লৈহৌরগনি।

/অমাংথোঙ ময়াদা হৱাই মঙ্গল মরূমুক চাউবা অমা পোল্লগা লৈবা, ফম্বা মতমদা অমাংথোঙদা য়াম্না নাবা, খোঙ হাম্বা মতমদা য়াম্না লিক্লা হাম্বা, খোঙ হাম্বা মতমদসু য়াম্না কুইনা চংবা, কুইনা ফল্লবা মতুংদা হামেং মথিগুম্না মরূ অমা/অনীখক্তা হাম্বা, অমাংথোঙ মনুংদসু চাথৎপা ফহনবগীদমক ওজা অজাদপু থাগৎচরি



ঐগী হকচাংদা নূংশঙনা য়াম্না কন্না নাদুনা অমাংথোঙ ময়াদা হৱাই মঙ্গল মরূমুক চাউবা অমা পোল্লগা লৈবা, ফম্বা মতমদা অমাংথোঙদা য়াম্না নাবা, খোঙ হাম্বা মতমদা য়াম্না লিক্লা হাম্বা, খোঙ হাম্বা মতমদসু য়াম্না কুইনা চংবা, কুইনা ফল্লবা মতুংদা হামেং মথিগুম্না মরূ অমা/অনীখক্তা হাম্বা, অমাংথোঙ মপান অমদি মনুংদা চাথৎপা, খোঙ হাম্বা লোইরগা চাম্বা মতমদা য়াম্না থুপ্পা, তৎপা অদুনা মরম ওইরগা খোঙ হামনীং-হামনীং তৌরগা অদুম লৈবা, খোঙ হাম্বা চঙলুরগনা হাম্বা য়াদবা, খোঙ হাম্বা য়ানবা হোৎনবদসু হকচাংদা অৱাবা অমা ওইবা, মরক-মরক্তা অমাংবদা ঈ তৈরকপা অমদি ঈ তারকপা, খোঙ হাম্বা লোইরগা হৌগৎপদা কোক ঙাওরগা তুগে তৌবা, পুক নাবা, পুক য়েকপা, পুক্তা মতুম অমা লৈবগুম তৌবা, পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা পুক চাওখৎপা, গ্যাষ্ট্রিক অদুনা হকচাংগী মফম খুদিংদা কোয়চেন চেল্লগা নাবা, চানীং থকনীংবা পোক্তবা, চাকখাও শোকপা, খ্বাং নাবা, ফম্বী শোনবা অদু ওজা MV Azad Phusam ☎ 7628890261/9089738275 দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপুগী থৌজালদগী ফরে। মরম অসিনা ওজা MV Azad পু হন্না হন্না থাগৎচরি।

ওজাগী লায়েংফমশিংদি :
1. Hatta, Opp. Oil Pump near Public Hospital, Imphal
2. Mayang Imphal Konchak Bazar (6am to 10am)
2. Bishnupur Bazar Ward No. 9 (only Saturday open)
3. Yairipok Bazar near traffic point. (only Sunday & Wednesday open)

HL-P/5202/2 থাগৎচরিবা : Ch. Sadananda, Pangei

ADMISSION OPEN

ENGLISH & RHYMES COURSES

CLASS X ENGLISH (BOSEM) EXAM ORIENTED COURSE

➢ SPOKEN ENGLISH WITH AUDIO AND VIDEO

➢ RHYME TEACHERS TRAINING COURSE
[Rhymes, Computer, Teaching Method, Spoken English etc.]

SPOKEN ENGLISH CLASS (SINCE 1986)

Nagamapal Laimayum Leirak, Imphal

Contact No. ☎ 8974642764

.HL-B/4529/25oct.to23nov

APOLLO TUTORIAL CENTRE

Admission Open For

XII-Sc CONDENSE REVISION COURSE HSE(COHSEM & CBSE) 2020

SUBJECT : ENGLISH+PHY+CHEM+BIO+MATHS

LAST DATE OF FORM SUBMISSION 12TH NOV. 2019

CLASS STARTS 18TH NOV. 2019

OFFER

♦ HOSTEL PACKAGE (BOYS & GIRLS)
♦ 20 % FEE CONCESSION TO FIRST 20 STUDENTS

FOR DETAILS Plz. Contact APOLLO Office, Kwakeithel Bazar, Near AMUCO Office,(7am to 7pm)

HL-B/5743/15/10-14nov